ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯜ, ꯑꯣꯒꯁ꯭ꯠ ꯱꯳, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯳꯹ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেল, ওগষ্ট ১৩, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ১৩৯শুবা মশীং

## রসিয়ানা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন পুথোকখিবা

### লায়না-লাইচৎ অসি মায় পাক্লা লাকশিনবা ঙমগদৌরিব্রা

রসিয়ানা মালেমদা অহানবা ওইনা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন পুথোকপা ঙমখ্রে। মায় পাক্লা ভেক্সিন পুথোকখিবগী ৱাফম লাউথোক্লদুনা রসিয়ন প্রসিদেন্ট ভ্লাদিমির পুটিননা হায়খি, অথুবা মতমদা ভেক্সিননগী দোজ মরাং কায়না শেমগৎতুনা মালেমগী মফম পূন্নমক্তা য়ৌহন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি। ভ্লাদিমির পুটিনগী মচানুপী য়াওনা মীওই কয়াদা ভেক্সিননগী অহানবা দোজ কাপখ্রবা মতুংদা রসিয়ন হেল্থ মিনিষ্টর মিখাইল মুরাশকোনা হায়খি, গমালেয়া রিসর্ছ ইন্সটিট্যুট অমসুং বাইনোফার্ম কম্পনিদা ভেক্সিননগী দোজ মশীং য়াম্না পুথোক্লবা থৌরাং লৌখৎপা হৌরে। য়াম্না থাজদবা মওংদা রসিয়ানা কোভিদ-১৯গী অহানবা ভেক্সিন পুথোক্লে হায়না লাউথোরকপদা মায়কৈ কয়াদগী অঙকপা ফোঙদোক্লরক্লি। হীরম অসিগী মতাংদা ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এইমস)কী দিরেক্টর ডা. রন্দীপ গুলেরিয়ানা হায়খি, রসিয়ানা পুথোক্লে হায়রিবা ভেক্সিন অসি কয়া য়াম্না সেফ ওইবগে অমসুং কদায় ফাওবা লায়না-লাইচৎ অসি ঙাকথোকপা ঙমগদগে হায়বদু য়েংশিনবা তঙাইফদে। ভেক্সিন হায়বসি করিগুম্বা মখলগী সাইদ ইফেক্ট অমত্তা লৈহল্লোইদবনি অমসুং ইম্যুনিটি কনখৎহন্দুনা অখন্নবা লায়না অমবু মপূং ফানা ঙাকথোকপা ঙমগদবনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি। মতাং অসিদা অখঙ-অহৈশিংনা হংনরক্লিবা ৱাফমদি অহুমশুবা তাঙ্কক্কী ওইনা মীওইবদা চাংয়েং তৌদ্রিবা ভেক্সিন অসি কদায় ফাওবা ইফেক্টিভ ওইগদগে হায়বদুনি। মীওইবদা চথখিবা অহানবা অমদি অনীশুবা তাঙ্কক্কী চাংয়েংসু শুপ্নগী থা অনীখক্কী মনুংদা লোইশিনখিবনি। অমরোমদা ভেক্সিন অসি মপূং ফানা ইফেক্টিভ ওইবগা লোয়ননা কোভিদ-১৯ ঙাকথোকপা ঙম্লে হায়না লৌবা তারগসু অতেনবা মতমগী মনুংদা দোজ কয়া য়াম্না পুথোকপা ঙমগদগে হায়বা ৱাহং অমা থোরক্লে। দোজ মশীং য়াম্না পুথোক্তুনা মালেমগী মফম পূন্নমক্তা য়ৌহল্লকপা তারগসু ইন্দিয়াদা তরাই-তরাই হেক্তা শীজিন্নবা য়াগদবা নৎতে। মপান লৈবাক্তা পুথোরকপা ভেক্সিন অমা ইন্দিয়াদা শীজিন্নরমদাইদা তাঙ্কক অনী থোক্লা মীওইবদা চাংয়েং তৌবা মথৌ তারি। ওক্সফোর্দ য়ুনিভর্সিটি অমদি এষ্ট্রাজেনেকানা পুথোক্লে হায়রিবা ভেক্সিন অমসু ইন্দিয়াদা হৌজিক অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা তাঙ্কক্কী মীওইবদা চাংয়েং তৌরি। চাংয়েং অসিদা মায় পাকপা তারবদি ইন্দিয়াদা শীজিন্নবগী অয়াবা পীগদৌরিবনি।

চৈরকসিদা ইন্দিয়াগী ওইনা নিটি আয়োগকী মেম্বর ডো. ভি কে পোলনা চেয়রমেন ওইবা কম্মিটি অমনা ভেক্সিন পুথোকপা অমসুং কাপ্পগী মতাংদা য়াম্না মরু ওইবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। কম্মিটি অদুনা তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিং য়াওনা ভেক্সিন শেমগৎলিবশিংগা কুপ্পা খন্নরগা মতৌ করম্না মীয়ামদা পাক-শন্না ভেক্সিন কাপকদগে অমসুং মতৌ করম্না কোল্ড ষ্টোরেজ শেমগৎলগা ভেক্সিননগী দোজ মরাং কায়না থমগদগে হায়বগী মতাংদা খন্নগদৌরি। ইন্দিয়াগী ওইনসু ভারত বাইওটেক লিমিটেদনা জাইদস কেদিলা লিমিটেদ অমসুং ইন্দিয়ন কাউন্সিল ওফ মেদিকেল রিসর্ছকা খূৎশম্নরগা পুথোকপা ভেক্সিননগী চাংয়েং অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা মীওইবদা পাঙথোকখ্রবনি। ভেক্সিন অদু হৌজিক মীওইবদা অনীশুবা তাঙ্কক্কী চাংয়েং পাঙথোক্লি। ওক্সফোর্দ য়ুনিভর্সিটিনা শেমগৎপা ভেক্সিন অমসু হৌজিক পুনেগী সিরম ইন্সটিট্যুটনা মীওইবদা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা তাঙ্কক্কী চাংয়েং পাঙথোক্লি। ফবা নৎত্রগা ফৎতবা হায়বদুনা তোঙানবা ৱাফম অমা ওইখ্রগা ভেক্সিন পুথোকপদা লময়ানবা হায়বদু রসিয়ানা ওইরে। শীংথানিংঙাই ওইবা মওংদা রসিয়ানা ভেক্সিন পুথোক্লে হায়না হেক লাউথোকখিবগা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদগী দোজ বিলিয়ন ১ রোম পীবীনবা ওর্দর তৌরক্লে হায়রি। অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা ভেক্সিন দোজ মিলিয়ন ৫০০ চহী খূদিংগী পুথোক্লবগী মতাংদা রসিয়ানা মালেমগী লৈবাক খরগা য়ানচে খূৎয়েক পীনখ্রে। অদুবু ইন্দিয়াদা ভেক্সিন অসি পাক-শন্না শীজিন্নগে হায়রবদি সেন্ট্রেল দ্রগস ষ্টেন্দর্দ কন্ট্রোল ওর্গনাইজেসননা অয়াবা পীবা মথৌ তারি। তঙাইফদনা ইন্দিয়াদা অমুক্তং ওইরবসু চাংয়েং তৌরগা ভেক্সিন অসি শীজিন্নবগী অয়াবা পীগদৌরিবনি। অতোপ্পা ৱাফম অমনা রসিয়াগী ভেক্সিন অসি ইন্দিয়াদা শীজিন্নবগী অয়াবা পীরবসু লৈবাক অসিগী হীদাক শুংবা কম্পনি অমনা রসিয়াগা এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক পীনরবা মতুংদা ভেক্সিননগী দোজ কয়ামরুম ইন্দিয়াদা শেমগৎচগদবনি। পূন্নমক অসিনা মরম ওইরগা রসিয়াগী ভেক্সিন অসি হৌজিক-হোরেল ইন্দিয়াদা শীজিন্নবা ফংগনি হায়বগী থাজবা লৈতে।

## ◇◇◇◇◇◇◇◇◇ এডিটরদা থারকপা চিঠি ◇◇◇◇◇◇◇◇◇

### ওগষ্ট ১৩না লাকপদা

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

কুমজা ১৮৯১ ওগষ্ট ১৩গী নুংথিল পুং ৫গী নুমিৎ তাখিবগা লোয়ননা মণিপুরগী নীংতম্বগী নুমিৎসু তাখি। মীওই লিশীং ৮গী পিরাংতনা ফৈদাপুংদা অরেপ্পা লৈতনা শিন্থখি। ঙসি অথৌবগী নুমিৎ অসিনা লাকপদা শুপ্নগী পি মরিক অমত্তা ওইরবসু, ৱাহৈ অমত্তনা ওইরবসু অথৌবশিংবু নীংশিংদুনা হায়জবা, লমদম অসিদা পোকচবগী পোকচমন ইথৌদাংগী লমন ওইনা শিংদোকচবনি।

চোংথাক চনু কৌশেশ্বরীনা পোকচবা কোইরেং যুবরাজ মরৈবাক নীংবা, মীনুংশি চাউবা, মরৈবাক মরমদমগীদমক থৱায় কখোকপদা নুংঙাইজবা, পেঞ্জবা অসিগুম্না অতোপ্পা কল্লকচবা থৌদাং অমা লৈখিদবা অথৌবনি। কুমজা ১৮৯০গী নবেম্বর ১৪দা সুরচন্দ্র মহারাজনা ইন্দিয়াগী ভাইসরোইদা অততাই ওইনা কোইরেং যুবরাজনা লান হৌরক্তুনা সিংহাসন মুনবিহৌরে হায়দুনা ৱাকৎখি। ইন্দিয়াগী গভর্ণর জেনরেল লেন্সাদাউননা কোইরেং যুবরাজ ফারগা লোই থাবা হায়না ৱারেপ্লখি। মনিংতম্না পাঞ্জরম্বা মণিপুর অসি মবুক ফৎত্রবা পকাসনা, সুরচন্দ্র মহারাজ অনীগী থৌইনশিন্না বৃটিশকী মখা পোনবা লৈবাক অমা ওইহনখি। পাকাসনা অমসুং সুরচন্দ্রা মহারাজনা মরন্নাই নুংঙাইবা থিবদগী লৈবাক কাং খোং চাইহন্দুনা ইরৈবাক মণিপুরবু বৃটিশকী মখূত্তা পীথোকখি।

দরবার তৌরগা যুবরাজবু ফাগনি হায়বা কুইন্টনগী অশোইবা থৌশিল অদু ইন্দিয়া লৈঙাক অমসুং বৃটিশ লৈঙাক অনীমক্লা য়ানীংখিদে। অদুবু ভাইসরোই লেন্সদাউন্নদি কুইন্টনবু শৌগৎখি। মহারানী ভিক্টোরিয়ানা সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট লর্ড ক্রোসতা চিঠি ইদুনা ফাঁসিগী হুকুম পীখিবা অসি য়াম্না নুংঙাইতে হায়না ফোঙদোকখি। মহারানি মশামক্লা গভর্ণর জেনরেল লর্ড লেন্সদাউনদা ফাঁসিগী মরাল ঙাকপীবা য়াব্রা হায়না হংখি। লেন্সদাউননা খন্নবা ঙমখিদ্রে হায়দুনা খুমখি। মনমোহন ঘোসনা গভর্ণর জেনরেলদা ট্রাইব্যুনেলনা পীখিবা মরাল অসি য়ূম্ফম য়াওদবা অরানবনি হায়দুনা দরখাষ্ট থাখি। কেপ্তেন হিয়ার্সোনা অসুম্না হায়খি, 'মরাল লৈরে হায়না বিচার তৌ-খবা মণিপুরগী নিংথৌ মচাশিং অসিগী বিচার অসিদি ঙসি ফাওবদা অমুক্তসু থেংনখদ্রিবা খ্বাইদগী ফাগী ফরাং মানবা বিচারনি। পাকাসনা অমসুং সুরচন্দ্র মহারাজনা অফবা ৱাখল খনবা ঙমদবা মচিন-মনাওশিংগী মীচংদা অচুম-অরান থিখিদবা অসিনা কোনুংগী লালহৌ থোকখি। মরৈবাকপু মলেস সাহেবশিংনা লৌশিনখিবগী মরম অমা ওইহনখি। ঙসিসু ঐখোয় মশেল নুংশিনদবা, মশাগীতা খনবা অঙম অথৌ কয়াগী মতোন চোংবা হৌরক্তুনা লৈবাক কাং-খোং চাইরিবা অসিনি।

*অদোমগী - য়ূম্নাম নিংথেম, কোংপাল চিঙ্গাংবম লৈকায়*

# ইপুদা ইজবা চিঠি - ২

**চাইথোরকপা ৱাখল**

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

*নুংশিজরবা ইপুখোই,*

ঙসিনিদো ইপুখোই নখোয়গী নুমিৎসে। নখোয়গী নুমিৎ অসিবু 'অথৌবশিংগী নুমিৎ' হায়না থৌরম পাঙথোক্লি। অদুঙৈ লমদম অসিনা বৃটিশকী মখূত্তগী নাম্থোক্লবা মতুংদা ইন্দিয়াগী ফিবান্দা নম্ফুনি হায়, হাফুনি হায়, ইনিংথৌ বোধচন্দ্রগী হাক্তক্তা শিলোংদা য়েতুম য়াওদনা তুশিনখ্রবা মতুং, আ কায়নথংদা, ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী মখাদা মীখল তৌদুনা মীহুৎ মথং-মথং খন্দুনা লৈঙাক চখ্থরল্লবা মতুং, মণিপুর পিপলস পার্টি হায়বা রিজিনেল পার্টি অমনা লৈঙাক পায়রকপা মতমদগী হৌনা ইপুখোইগী নুমিৎ অসি হৌদোক্লরকপনি। খোঙজোম লান লোইবা লোইদবা, পাওনা তুবা-তুদবগী ৱাসিসু অনী থোক্লিবনি, অমনা অমা হায়, অমনা অমা হায় তৌদুনা অনী থোকপীগী লমসিদা ইতিহাসকী ৱারী ফাওবা অনী থোক্লিবনি। শেংনা হায়রদি মণিপুরগী নীংতম লান হায়বসি অদুক য়াম্না কুইবদি নৎত্রিবনি। মদুদা হিংহৌবা অহল-লমনশিংদগী অশেংবা পাউ লৌদুনা খোৎচিলহৌবা য়াবদু কনামত্তনা খোৎচিলবীরমদবদগী য়েৎনবসি থোক্লিবনি। মৈতৈনা শিংবসি ইপুখোই পংকুই কুইদ্রিবা মাল্লিদা। কবি চাউবনা হায়রম্বা ৱা অমা লৈয়ে ইপুখোই - *"কোর্বেক মাঙদা থাদুনা, খোর্জৈ খূৎতা পায়দুনা, পলেমগী ফজবা খোৎচিলহৌ"* কনানা খোৎচিল্লিগে, কনামত্তনা খোৎচিন্নদে, কয়ামুক য়াম খোৎচিন্দবগে হায়ববু, হাকুম মপা শিখিবগী তারিখ কাউনখিদুনা মচিন-মনাওশিংগী মরক্তা য়েৎনবা য়াওনরিবা লমদমনিদো ইপুখোই।

অখঙ অহৈ শাবা কয়ানা ইপুখোইগী মরমদা য়াম্না ঙাঙনবিরি, মথম্মোয়দি হোদ্রোং হেক হোরগা। মনম নুংশিরবা মেক্রুক মৈরাগী মৈখু মনমলক্তা ঙাঙনরিবা কয়াসে ইপুহোয়না তাবদদি খিত্তং পেল্লরোইদো। অদো ইপুখোই, ইপুখোইগী ৱারীসি মান্নদবা য়াম্না য়াওইনে হায়ন-ঙাঙনরিবশিং অসিদা। অমনা অমা হায়, য়াম্না খঙবা মাল্লম্মী, অমনা অমুক অমা হায়, অদুনা হেন্না অমুক চুমদৌ মাল্লি। করম্বনা চুম্বনো হায়দি খঙদে। অরেপ্পা অমত্তা লৈতে। ৱাখলদা ফুম্বংনদুনা লৈরি। ইপুখোইনা বৃটিশকা মুক্লখিবগী ৱাসে শুকমান হেক মান্নদে। মায়চৌ শাবা ময়াম অসিনা ইপুখোইগী ৱারীগসে মথক মখা ওন্থোক্লবনি। লীলা-দ্রামা শান্নবা য়ানবা হোৎনবদা শম্বা ৱারী পরিংদো অদুনা অচুম্বা ওইনা লৌনরে, মীয়াম্না। দ্রামাগী-লীলাগী ক্লাইমেক্স শাগৎপা য়ানবা কানজোং-কানজোং খরা থম্বদু অশেংবা ৱারীনি, নত্তে হায়দুনা য়েৎনরি মায়নৌ লুচিং পুরেলশিংনা। ইপুখোইনা তাবদদি ওন্থোক্লা নোকনীংলমগনি। নুংদা লৈরিবা অচুম্বা ৱারীদি খঙনদ্রবনিনা অমত্তা পুথোক্লরক্তে, মপান্দা শাগৎ-শাগৎলগা মঙবা মঙদা ফাওবা অদুনা চুম্নরে। অচুম্বা অশেংবা হায়দুনা অমনি, মদুদি ইপুখোইতনা খঙবীগদবনি। ঙরাং নহাক্তা থোকখিবা ওইরবসু থোইদোক্লা খোৎচিন্নহৌদবনা অশেংবদু খঙনদ্রে।

ইপুখোই, লৈবাকসে মতা অমা ওইনা তৌরবনিদা। হন্দক কোরোনা হায়দুনা মমিং য়াম্না চৎপা সুপর ভাইরস অমা থোরকপদা নোইগী নরমদম অসিদা নুংঙাই নুংঙাইবা য়াম থোকখ্রে। কোরোনাগী অকনবা লান থেংনরিঙৈগী মরক্তা, মীয়াম মপান থোকপা য়ানদ্রবদা, চেঙ য়েংনবদা অচৌবা ৱাথোক য়াম থোক্লখ্রে। ময়ূম ময়ূমদা পৈ পৈদুনা লৈবা চেঙ বেগ ময়াম অমা ভিদিও নম্মগা থাদোক্লরক্তুনা য়েংনরকপা। পোৎয়েন-চেঙয়েনদা পোলিটিক্স মখল-মখল চথ্নরক্তুনা লৈবাক কাং খোং চাইনবা য়াওখ্রে। লৈঙাক পায়মিন্নরিবা মশেল মরক্তদা হুন্নরগা য়াম্না ঙাঙনখ্রজ ৎনি - মী অমদা চেঙ কেজি অদুক পীনি হায়না অমনা হেক লাউথোকই। পীবনা শুই-শুদে হেক্তা ঙাঙনরকই। শুদে হায়রিবা কাঙবুদা অশিন-অরাং তৌদুনা য়েল্লিবা এম এল এনা - পীনি হায়দুগী থোঙ্গালদগী লৌরুরো থোক হেক হায়। ৱারৌ পুরৌনদুনা ৱাকাই য়াম থোকখ্রজাৎনি। মদুগী মলোম ময়াম অদুনা মফমদি লৌথোক্তনা চৌক্রি শৎলুবদগী ৱা হেন্না চাউথোক্লরক্তনা কুম্মৈ অমা তানখ্রপোৎনি। অদুক য়াম্না ৱারু-নুংলু থোক্লরিঙৈ মরক্তুদা অমুক, মপান্দগী ক্বা মনা পুশিল্লক্তবা, জর্দা, খৈনি, তলব পুশিল্লক্তবদগী শ্বাইদা কোয়চেন চেন্নদনা য়াম্না ফরক তানখ্রে। মপু কনানো খঙদবা মরুমদা লৈবা অমনা কোলকটাদগী এরোপ্লেন ৱাইরগা মণিপুরদা ক্বা মনা পুশিল্লকপদগী ফানদনা অমুক্তোইবা ৱা-ৱা লাউনখ্রে। মনাশিংদু লোন্না চাইথোক্লরক্তনা লৈকায়, লৈরক-খুল্লক য়ৌনরক্তুনা ক্বা জর্দা অমদা লুপা ৭০/৮০/৯০ ফাওবা য়োন্দুনা মণিপুরদা ক্বাগী রেকোর্দ থম্নখ্রে। মদুদা লমদমসিগী থৌনা ফবী জর্দা চাবী খরনা নোংমদা মচিন পৈরপ জর্দা মতপ মরি/মঙা উম্নবদা ময়ূমগী শেলখৈ তুমদনা ৱাথোক থোক্লদুনা ইমুং কাইগে তৌবগা য়াওনখ্রবনি। ইপুখোই হায়দোক্লগা ফজদবগী ৱানি, নশু নমৌশিংসে, লোইনমক্কী ৱাদি নৎচদেকো, খরা অমদি জর্দা চাদ্রদি হিংবা ঙমদবদৌনা তৌবা ময়াম অমা লৈরে। লৈশাবী মচানা তলব পেকেট শেৎ লাউনা শেৎলগা ময়াদা থুনা শৎ হৈজিনবা অদুগা পেকেটতু শুরু-শুরু নৈরগা লংথোকপা য়াম উরে। সিদি লায়বু লায়রি ইপুখোই, হৌজিক্কানসি নুপীনা ময়াই কাবা অতাঙবা কালৈ থক্ত্রদি চাকচা হৈজানবসি মতৌ মান্দ্রে গাইনা হায়বা য়াওনরেনে। অদুনা নুপা কালৈ ঙাওবা, নুপী কালৈ ঙাওবা য়াম লৈনরে হায়না লোন্না নিনফুং নিনফুং ঙাঙনরম্বদু হৌজিক্তি মকা ফোঙনরক্লে।

ইপুখোই, মতম হায়বসি য়াম্না হোংঙে, পুৱারীগী ৱারী ৱাখোঙ পারুবদা লৈরম্বা মতম-মতমদুগী চৎন-কাঙলোন, মী-মীগী ৱাখল, মথৌনা অঙকপা ফংনা ৱাংনা লৈরম্বদু হৌজিক্তি মতা অমা ওইনা তৌনরে। অমুক্তা তাদবা ৱা অমা হন্দক তাবদগী হেন্দোক্তুনা থবক ওইনা পাঙথোকখ্রে। সনা লৈবাক্কী ইনিংথৌদা মশা খঙদনা কনানো খরনা লোন্না এম পিগী টিকেট পীশিল্লক্তনা ৱা থোক্লখি। ইনিংথৌনদি মসি ঐদি করিমত্তা খঙজদে হায়না হায়রম্মী। অদৈদি ইনিংথৌসু ভোট লেপনীংবগী ৱাতা সুম সুম হায়বা হৌরকই। মদুগী মীখলদো হন্দক কোরোনা মনুংসিদা পাঙথোকখ্রে। ইপুখোই ফাগি নত্তে, নুমিৎ হুমনি ৱাৎলিঙৈদা হৌজিক লৈঙাক পায়রিবশিংগী মরক্তগী শৌগৎপা তোক্লে হায়দুনা মিনিষ্টর মরিনা হেক্তা লাউথোকই। মখোয়দা শৌগৎলম্বা অতোপ্পা এম এল এ অনী অমসু তোক্লে, মোইদা শৌগৎকনি হায়না চৎখিবা ওপোজিসনগী এম এল এ মরি অমসু হল্লক্লে হায়না হেক্তা তৌই। মদুদগী হেন্দোক্তুনা রুলিংগী এম এল এ অহুম অমসু এম এল এ ফমদগী রিজাইন তৌরে হায়না চে হেক্তা ইদুনা থাগৎলি। কুম্মৈ হেক্তা তাবনি। মদৈদি ইপুখোই, নাকল-নাকল লানবন শেমগৎনদনা হেক্তা লান থেংনৈ। লান হায়সি, ইপুখোইগী থায়নগী লান হায়দি, থাঙ য়ান্নবা, নোংমৈ কাপ্পবদু নত্তে, নুংগী লাননি, অদুগা লাঞ্জাওনা থাংমৈবন্দ লিলাশিং খোংনাংখোঙদা লৈবা এসেমব্লিদগী দিসক্কালিফাই, রিজাইন তৌবদু এক্সেপ্ট তৌরে হায়বা চে মথং-মথং হেক্তা ব্রমাষ্টা তেনগুম্না কাপথোরকপনি। নাকল অনীমক্লা হোৎনবা অঙ্কগী ফল মতুংইন্না কাপথোরকপা তেনদুনা এম এল এ খরা হেক্তা থোকশি। ভোট কানি-কারোই, কানি-কারোই হায়না অঙ্ক হোৎনরম্বদু হেক্তা মথক-মখা ওনবগী ৱানিসে। মদুদগীদি ইপুখোই, ভোট নুমিৎতুদগা তৌবসি ওন্থোক্লা নুংঙাইখ্রবা কুম্মৈনি। হান্নরা এসেমব্লিদা চঙবা য়ারোই হায়না কোর্টনা লাউখ্রবা এম এল এ অহুম অমা থোক চঙলল্লগা ভোট পীখি, মদুদগী হৌরে, অঙ্ক লানবা, মদু ফাওবদা খরা নুংশা থীনরিঙৈ চৈরক্তা, ওপোজিসনগী লানবন্দগী ভোট অনী থোক হায়দোকখ্রে হায়না হেক্তা ৱা লাউনরকই। অশ! ইপুখোই কুম্মৈনি। উচিন নাচিন্না ইনিংথৌনা নমকা হেক্তা কাই। মদৈদি নুংদাংদুদা হরাও নুংঙাইবা ফোঙদোকপগী নোংমৈ মখেল হেক্তা তাই। হরাওজবা কনাগুম্বশিংনা কাপথোকপা মাল্লি।

মদুনা লান হেক্তা লোইবদি নত্তে ইপু, নাকল অনীমক্কী মপান্দগী লাকপা অরাংফমশিং হেক্তা থুংলৈ, খরা অমনা কোরোনা টেষ্ট তৌবগী চে য়াওদে হায়না ক্বারন্টিন থোক তৌশিল্লগা উনহন্দে, খরা অমনা চে য়াওরকই হায়দনা মীগী কেম্প মনুংদা লৈবা মিনিষ্টর মরি থোক হেক পুথোক্তুনা ৱারী শাই। য়ানদবদগী অমুক হনখি। নোং ঙাল্লগা অমুক হেক লাকই। হন্দক কৌথোকপদদি দিল্লিদা হোইরগা হেক্তা পুখি। মখোয়বু কৈদৌ পুহল্লিনো হায়দুনা লানবন মনুংদগী মথৌনা লৈবা অমসু ফন লাওনা চোঙথোকখি হায়। করি করি তৌরিঙৈ তাঞ্জাদুদা দিল্লিদা পুরগা চৎখিবা মিনিষ্টরশিংদু অমুক থিল্লক্লগা গভর্ণরগীদা চঙলগা সপোর্ট ৱিথদ্রো তৌরে হায়বদু হন্দোকচরগে হায়না হায়রুই হায়ব্রা কৈনো, মদগী লানবন অনীমক থুপচিনবগী ফীভম লাকখি। মদুসু অমুক মখোয় তোকখ্রদি ঐখোয়না ৱাশক লৌরনি হায়না ফেংলুবা খরা অমনা অমুক ঈরাং হৌরক্তনা মদু অমুক থেম্নবদা কুম্মৈ তাখ্রে হায় ইপুখোই। হৌজিকসি মদুই ৱাগদু তুমিন-তুমিন লৈনরগা চৌক্রি শৎনখিবা অমগী চৌক্রিদু হান্না পায়রম্বা শেঙ্গাওগা মরী লৈনবা অমা হাপচিল্লগা ইনশিল্লকপদগী খরা নেম্নরি। অদুবু মনুংদদি কৈনো অমনি হায়রিয়ে। ইপুখোই সুম শাংদোকখিদৌরে, অহেনবা পাউদমগা লোয়ননা মথংদা খরা ইজরক্লে, ঙসিগীদি তেনশিঞ্জরগে, পুনেমজরি ইপুখোই।

*- নখোয়গী নশু অমা* ●

# লেপতে চোঙথোক-চোঙশিন

**ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার**

হন্দক্তা ইনৌ নৌনা কোংগ্রেসকী এম এল এ তরুক চোঙথোরকখিবদো মীচম মীয়ামগী খল্লগা রিজাইন তৌরিবনি হায়না মিদিয়াদা ফোঙদোকখি মখোয় মশামক্লা। হৌজিক লৈরিবা য়াম্না কন্না শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯ লাইচৎ মরকসিদা মখোয়না মখোয়গী পার্টিদগী চোঙথোক্লিবা অসিবু মীচম মীয়ামগী খন্দুনা চোঙথোক্লিবনি হায়না হায়রিসিবু মীয়াম থাজবীবরো। ঐহাক্কী ওইনদি শুংথা থাজদে। মখোয় এম এল এশিং অসিনা মীচম মীয়ামগী খন্দুনা তৌরিবনি হায়দুনা ঙাইহাক লৈতনা চোঙথোক-চোঙশিন তৌরক্লিসি কুইরে। মীচম মীয়ামদি খিরবনি, খিরবা মখোয়গী মতৌসে। মখোয়সু তারমগনি খল্লি মীয়াম্না হায়নরিবা। হায়জরিবসি কোংগ্রেস পার্টি খক্তগী নত্তেকো। হৌজিক হৌজিক পাল্লিবা বি জে পি পার্টিসুনি অদুগা এন পি পিসুনি। বি জে পিগী এম এল এশিংনা দিল্লিদা চৎতুনা বি জে পিগী মথক থোংবা সেন্টরগী লিদরশিং উনদুনা হৌজিক লৈরিবা সী এম অসিবু শিন্দোক্লবা কেম্প তৌরুই মতম শাংনা ইরমদম কংলৈপাক্লা নাগা পিছ টোককী মৈ হৌরিঙৈ মতমদা। মদুদা মায় পাক্তবদগী কোভিদ-১৯ মরকসিদা অমুক হন্না চৎলি, হোৎনৈ অদুবু মায় পাকখিদে। মতুংদা এন পি পিগী মিনিষ্টর মরিসু পাল্লিবা লৈঙাক অসিগা য়ানদ্রে হায়দুনা হেক্তা চোঙথোরকই লৈঙাক অসিবু শৌগৎলরোই হায়দুনা। হাইজিল্লুই কোংগ্রেস পার্টিদা অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্নবা অদুবু মায় পাকপা ঙমখিদে। মতমদুমক্তদা বি জে পি এম এল এ অহুম অমসু পাল্লিবা বি জে পি লৈঙাক অসিদগী রিজাইন তৌরে হায়দুনা চোঙথোরকখি লোয়ননা কোংগ্রেসতা মায় ওনশিন্দুনা। কোংগ্রেসনা অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্বা ঙমদবদগী এন পি পিগী মিনিষ্টরশিং পাল্লিবা বি জে পি লৈঙাক্লা অমুক চুংশিন্নখি। কোংগ্রেসনা বি জে পি লৈঙাক্কী ওইরিবা ফীভম অদুগী তাঞ্জা লৌদুনা কোংগ্রেস লৈঙাক শেম্নবা হোৎনখি অদুবু মায় পাকখিদে। অদুদগী হন্দক্তসু পাল্লিবা বি জে পি লৈঙাক অসিগী মিনিষ্টর মরি অমা দিল্লিদা চৎতুনা বি জে পিগী মথক থোংবা পার্টি লিদরশিং উনরুই সী এম য়াওদনা। তৌরিবা পূন্নমক অসিগী মরমদি মখোয়না মীয়ামগী খন্দুনা তৌরিবনি হায় অমসু অমসু। মসিদা মীচম মীয়াম ঐখোয়না কয়া য়াম্না থাজবা ঙমগদৌরিবনো।

হৌজিক হৌজিক ওইরিবা কোভিদ-১৯গী ফীভম অসিদা মাগী-মাগী কন্সটিট্যুএন্সিগী খন্দুনা মরৈচাশিং লাইচৎ অসিদগী কন্নবা হোৎনগেদি হায়দ্রগা কোংগ্রেসতগী চোঙথোক্তুনা অনৌবা পার্টি অমা শেমনি কাইনসু ফোঙদোক্লি মিদিয়াদা। হান্নদগী এম এল এ ময়াম অমসু চোঙথোক্তুনা বি জে পিগা চৎমিন্নরি অদুবু ফম অমত্তা পায়দনা মখোয়সু খরা অমনা অদুম লৈরি খরা অমনা অমুক হল্লকখিগুম তৌই। হৌজিক ইনৌ নৌনা কোংগ্রেসকী এম এল এ তরুক অসিনা মীয়ামগী ওইনা খল্লবদি করিগী মখোয় মখোয়গী কন্সটিট্যুএন্সিদা লৈদুনা মখোয়গী কন্সটিট্যুএন্সিদা হাংলিবা কোভিদ-১৯ ক্বারন্টিনশিং অসি মায় পাক্লা থম্নবা হোৎনদ্রিবনো। থল্লিবা ক্বারন্টিন সেন্টরশিং অসি মওং চুম্না, মচাক শুনা, মরীন চুম্না থম্বীদবদগী, য়েংশিনবীদবদগী নৎত্রো লাইচৎ অসিবু থিংনবা মফম অমা ওইবগী মহুত্তা ক্বারন্টিন সেন্টরশিং অসি লাইচৎ অসি শন্দোকফম ওইরক্লিবা। এম এল এ হুম্ফু অসিনা মখোয় মখোয়না তৌফম থোকপা মথৌ অদু থম্মোয় শেংনা তৌরম্লবদি করিগী হৌজিক ওইরিবা ফীভমসিদা লাক্লমগনি, লাক্লম্লোই। অদুবু মখোয় মখোয়গীতা ফনবা খল্লিঙৈ, মখোয় মখোয়গী ফম তান্নরিঙৈ, মখোয় মখোয়গী মথং ইলেক্সন্দা ভোট কাননবগী পোরম য়াৎলিঙৈ মীচম মীয়াম্বু থম্মোয় শেংনা লাইচৎ অসিদগী কন্নবদি হোৎনদ্রে, হোৎনবা ঙমদ্রে।

মীওই লাক্ষ ২২৩ লৈবা টাইৱান্দফাওবা মীওই ৪৮০ খক নাখিবনি। মসিগী মনুংদা ফখিবনা মীওই ৪৪৩, শিখিবসু শুপ্নগী মীওই তরেৎখক্তনি। অদুগা পিকখ্রবা ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুরগী মীশিং লাখ ৩০সু শুদবা অসিদনা কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসিনা নাহনবগী মশীংদি লিশীং মরি য়ৌরক্লে অদুগা শিখিবা মশীংসু মীওই ১২ য়ৌখ্রে। মসি হৌরকপদা ঙাইহিরবনি হায়না থমজগে। নোংমদা চাম্মা-চাম্মা কাংদনা অসুক কন্না, চাউনা লাইচৎ অসিনা শন্দোরক্লিবা লুরবা ফীভম অসিদা করিগীদমক কোংগ্রেসকী এম এল এ তরুক অসিনা চোঙথোরক্লিবনো মশা মশাগী এম এল এ ফমদগী রিজাইন তৌদুনা। এম এল এ অমা ওইনা তৌগদবা মথৌ এম এল এ ওইদ্রবনিনা তৌবা ঙমলরোই। মসিনা মরম ওইদুনা অনৌবা চৈথেং অমমুক পীশিল্লগনি হায়রিবা এম এল এ তরুক অসিগী কন্সটিট্যুএন্সিশিংদা। মসিগী মমাঙদা হান্নদগী চোঙথোক চোঙশিন তৌবদগী, এম এল এ ফম রিজাইন তৌবদগী মখোয় মখোয়না মথৌ তৌবা তোকপদগী হান্নদগী কন্সটিট্যুএন্সি ময়াম অমসু মথৌ তৌদবনা ক্বারন্টিন সেন্টর কয়া অমসু পুমচাই চাইদুনা লাকখিবনি। হৌজিক্লা কন্সটিট্যুএন্সি ৬ অমসু অমুক হাপচিল্লে। সিদবু করম্না মখোয়না চোঙথোক চোঙশিন তৌরিবসিবু মীয়ামগী তৌরিবনি হায়রিবা। মখোয়না রিজাইন তৌরিবা, চোঙথোক চোঙশিন তৌরিবা মওং অসিদা মীয়ামগা তানদুনা তৌবরা, অমত্তা তৌদেদনা। মখোয় এম এল এ খরা পুনশিল্লগা মখোয় মখোয়গী কান্নগদবা য়েংদুনা হেক্তা তৌবা নৎত্রো। মখোয়না তৌরিসি মখোয় মশাগী খক্তা খন্দুনা তৌবনি হায়বসি মীয়াম্না নীংশিংবীয়ু।

হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিগী সী এমনা, "মফম মরাং খঙদবা ঐখোয়গুম্বা পোলিটিসিয়নশিং খনগৎপদগী মণিপুরসি মুৎকদৌরি, শোয়দনা মুৎলনি" হায়খিবদো য়াম্না চুম্মৈ। শোয়দনা হায়খিব্রা নৎত্রগা হায়গে হায়না হায়রিব্রা মদুমদি খঙজদ্রে অদুবু 'ঐখোয়' হায়বা ৱাহৈদুদা মহাক মশামকসু য়াওরিবনি। য়াওগেরা য়াওরোইরা, সী এমনা হায়রিদুদি য়াম্না চুম্মৈ। মশা মশাগীতা খনবা এম এল এ ৬০ খল্লুবনা হৌজিক্তি মণিপুর লোইরে, পুমচাই চাইরে, কোভিদ-১৯না য়োৎখিদৌরে। অসিগুম্বা ফীভম অসিদগী ইরমদম কংলৈপাকসিবু কলহৌসি হায়রবদি হৌজিক লৈরিবা এম এল এশিং অসিগুম্বা মীরেপশিং অমুক হন্না খনবীরুনু মথং মীখলদা। লুপা চনি-চহুমদা ইশা ইশাগী মমল য়াল্লবা ভোটপু য়োন্থোকপীবা তোকপীরো। ইরৈচাশিংনা লুপা চনি-চহুম লৌরুবদো মখোয়নদি লুপা লাখ লাখতা লৌখৎকদৌরিবনি হায়বসি কাউবীগনু। ইরৈচাশিংগী অৱাবা ফীভম অদুগী অশোনবা ফীভমবু য়েংদুনা লুপা চনি চহুম পীথোক্লগা শোম-শোমগী য়াল্লবা ভোটপু লান্না শীজিন্নরে মখোয়না। মরম অসিননি মখোয়না ভোট হেক কাখিবদা মীচম মীয়ামবু করিসু ওইদনা খনবা ঙল্লিবা। করম্নবু উশিংনা খনবীগদৌরিবনো লুপা চনি চহুমনা ইরায় লায়না লৈবা য়াবা মীয়াম্বু। মসি হায় হায়দুনা মীওই লোইনমক শেল লৌই হায়জবদি নত্তে। অদুবু লুপা চনি চহুমনা লৈবা য়াবা ইরৈচা মশীং য়ামলি। অসুম্না য়াম্না হোংনা লৈবা য়াবা ইরৈচা মশীং হন্থরবা কান্দতা ইরমদমদা অফবা লুচিংবা লাকপা ঙমগনি। তশেংবগীদি অফবা, মরমদমগী খনবা, মরমদম্বু থম্মোয় শেংনা নুংশিজবা, মথৌ নিংথিনা তৌগদবা নহা অমদি অহল ওইরবা লুচিংবা য়াম্না লৈবনি ইরমদমদসু। মখোয়না লুচিংবা অমা ওইবগী তাঞ্জা পীবিদবনি মীয়াম্না। মীরেপ ওইনসু থোরকখ্রবনি। অদুবু লুপা চাম্মা চনি পীবা ঙমদবনা মখোয়দি ভোট কাবা ঙমদে। করিগুম্বা শেল চঙদনা অসিগুম্বা অফবা, থম্মোয় শেংবা লুচিংবশিং অসি ইরমদমগী লুচিংবা ওইনা থাগৎলবদি লমদম অসি, খুন্নাই অসি চাওখৎকদবনি। অদুবু ওইহন্দ্রে মদু লুপা চাম্মা চনিগী মতিক ময়াইনা। মদুগী মহুত্তা শেলদা মীহৌবা কয়া অমা খনগৎপীরুবনা লোইরে ঙসিদি ইরমদমসে।

শেল ময়াম অমা তিংদুনা কারকপা এম এল এ ৬০দুনা পানবদগী ঙসিদি নুংঙাইরে ইরমদমসে, লুপখিগদৌরে, য়োৎখিগদৌরে কোভিদ-১৯না। মিনিষ্টর ওইদ্রদি চঙখিবা শেঞ্জাওদো হঞ্জিনবা ঙল্লরোই খনবদুনা নৎত্রো অমসু অমসু মিনিষ্টর ওইনবা হোৎনরিবা। মিনিষ্টর ওইনবা দিল্লিদা কেম্প তৌরিবা, মিনিষ্টর ওইনবা এম এল এ ফম থাদোক্লিবা, মিনিষ্টর ওইনবা পার্টি থুগাইনবা হোৎনরিবা, মিনিষ্টর ওইনবা লৈঙাক থুগাইনবা হোৎনরিবা, মিনিষ্টর ওইনবা চোঙলিবা। মিনিষ্টর ওইনা ওইনফাওবা মখোয় মখোয়না পায়গদবা পোর্টফোলিওদু পায়দে হায়দুনা মিনিষ্টর ফম থাদোক্লরিবসিনি। পার্টি অমদগী হেক্তা ওইসনু, মিনিষ্টর ওইরগা শেল তানবা ঙমদ্রদি মিনিষ্টর ওইবগী করিবু কান্নরিগে হায়না হংবা মিনিষ্টর ময়ামসু য়াওরিবনি হৌজিক হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাকসিদা। মসিননি মিনিষ্টরগী ফম পায়না পায়না ফম থাদোক্লে হোৎনরিবা।

লোইশিল্লকপদা, ইরমদমগী এম এল এ, মিনিষ্টরশিং অসিনা চোঙথোক চোঙশিন তৌরিবসি ঐখোয় মীয়ামগী খন্দুনা তৌবা নত্তে, মখোয় মখোয়গী কান্নবা য়েংদুনা তৌবা ঙাক্তনি হায়বসি কাউবীগনু ইরৈচাশিংনা। মসি মীখল লাকপদা নীংশিংবীয়ু। মীয়ামগী খল্লগা তৌবনি হায়রবদি করিগীদমক মীয়ামগা তানদ্রিবনো চোঙথোক চোঙশিন তৌদ্রিঙৈদা। মরম অসিনা, ইরমদম কংলৈপাকপু কলহৌসি হায়রবদি মশাগী মথৌ থাদোক্তুনা চোঙথোক চোঙশিন তৌরিবা এম এল এ, মিনিষ্টরশিং অসি মথং মীখলদদি অমুক হন্না ভোট পীবিরুনু, কোংগ্রেস ওইসনু, বি জে পিসু ওইসনু, এন পি পিসু ওইসনু অদুগা পার্টি অমা হেক্তা ওইসনু। অসুম্না ঙাইহাক লৈতনা মশা মশাগী ফিরেপ হোংদুনা, পার্টিগী ফিরেপ থৌশাদনা চোঙথোক চোঙশিন তৌদবা, তৌরোইদবা মীরেপশিং ওইনা খনগৎপীয়ু মথংগী মীখলদদি। হায়নবা লৈবনি, অহানবদা মীনমখিবদি ঐখোয়গী ইরাল নত্তে, অদুবু অনীরকশুনা মীনল্লবদি ঐখোয়না পংবননি হায়বা। ঐখোয়সিবু সুম পংদুনা লৈরসি হায়রিবরো, ইরৈচাশিং। মীখলদা শেল য়াম্না পুথোকপা ঙম্বা মীওইদা ভোট পীবগী মহুত্তা লমদম অসিদা শেল য়াম্না পুরকপা ঙমগদবা মীওইশিংদা ভোট পীবিয়ু, হায়বদি, লমদম অসিবু, খুন্নাই অসিবু মাঙদা পুশিনবা ঙমগদবা মীওইশিং অদুবু থাগৎপীয়ু। থম্মোয় শেংনা মথৌ তৌজনীংবা, দ্রগ ললোন্দুনা শেল য়াম্না তানবদা, শেল চাবদা মীহৌরুদবা, মীখলদা মীপূম খুদিংদা চনি, চহুম পীবদি ঙমজদবা মথৌ নিংথিনা তৌজনীংবা অফবা লুচিংবা ওইরক্কদবা মীওই য়াম্না লৈবনে ইরমদম কংলৈপাক্তা। অনৌবা, থম্মোয় শেংবা, মরমদম্বু নুংশিবা লুচিংবশিং খনবনা য়াইফরে। য়াইফমিন্নরসি। ●